# চাইনিজ নুপা, ইন্দোনেসিয়াগী নুপীনা এসিয়ন বেদমিন্টন টিম চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখ্রে



হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
চিনা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী নুপা অমদি নুপীনা মখোয় মখোয়গী কেটগোরিদা মফম অসিগী গাচিবোলি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপীগী কেটগোরিগী ফাইনেলদা চিনানা জাপানবু ৩-২ দা অমসুং নুপাগী কেটগোরিগী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়ানা জপানাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চয়োল অমা চুপ্পা চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপীগী ফাইনেলদা জপানগী নোজোমি ওকুহারানা নিংথিনা শান্নরক্তুনা মহাক্কী টিমবু ১৭-২১, ২১-১৬ অমদি ২১-১৫ দা চিনাগী শিজিয়ান ৱাংবু মায়থীবা পীখি। ৱাংনা হৌজিক তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈরি অদুগা ওকুহারানা ৱাংগী হেক মখা থংনা নিপানশুবা মফমদা লৈরি। ওকুহারানা অহানবা মেচ অদু মায়থীখ্রবসু নিংথিনা শান্নরক্তুনা লেমহৌরিবা গেম অনী অদু মায় পাকখি।

জপানগী দবলসকী জুরা মিসাকি মাটসুটোমো-অয়াকা টাকাহাশিনা চিনাগী য়িং লৌ- ক্বিং টিয়নবু দবলসকী অহানবা মেচতা ২১-১২, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

টাই অদুদা সিঙ্গলস অহুম অমদি দবলস মেচ অনী য়াওরি।

চাইনিজগী লাইবক ফবনা অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা চিনাগী য়ু সুননাা জপানগী সয়াকা সাটোবু ২২-২০, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা দবলস মেচতা চিনাগী য়ু লৌ-য়োন্টিং টাংনা জপানগী নাওকো ফুকুমান-কুরুমি য়োনাওবু ২১-১১, ২১-১০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী ফাইনেলদা মালেমগী রেঙ্ক মরিশুবদা লৈবা জপানগী কেন্টো মোমোন্টা ইন্দোনেসিয়াগী রেঙ্ক ৩৩ শুবদা লৈরিবা ইসান মৌলানা মুষ্টোফাবু ২১-১৭, ২১-৭ তা মায়থীবাপীখি।

ইন্দোনেসিয়াগী দবলস পিয়ার অঙগা প্রাটামা-রিকি কারান্দা সুৱার্দিনা জপানগী হিরোয়ুকি ইন্দা-কেনিচি হায়াকাৱাবু ২২-২০, ১৪-২১, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীখি।

সিঙ্গলস মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী রেঙ্ক ৩৪ শুবদা লৈরি। গিন্টিং এন্থোনিনা শো সাসাকিবু ২১-৭, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী টিমগী মায় পাক্লবগী খুদোংচাবা পীখি। সাসাকি অসি রেঙ্ক ২২ শুবদা লৈরিবনি।

টাই অসিগী অনীশুবা দবলসকী মেচতা জপানগী টাকেশি কামুরা-কৈগো সোনোদানা ইন্দোনেসিয়াগী বেরি অগ্রিৱান- রয়ান অগুং, সাপুট্রাবু ২১-১৬, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দোনেসিয়াগী রেঙ্ক ৩৬ শুবদা লৈরিবা জোনাটননা মহাক্কী সাইদনা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবদা নিংথিনা শান্নখি। জোনাটননা অকনবা প্রেসর মায়োক্লদুনা জপানগী নিশিমোটোবু ১৪-২১, ২১-১৯, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়ানা নুপাগী কেটগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। অদুগা নুপীগী টিমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা সলগাওকরবু মায়থীবা পীখি, শিভাজিয়ন্স অমদি শিল্লোং লাজোংনা দ্রো চৎখি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
আই-লীগ ২০১৬ কী রাউন্দ ৯ গী নীনি চনবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা পূক্লিং হুনিংঙাই ওইরবা মেচ অনীদা ইষ্ট বেঙ্গলনা সলগাওকরবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি অমসুং দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমদি শিল্লোং লাজোংনা ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

পুনেগী বালেৱাদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা শিল্লোং লাজোংগী নৌনা চঙলকখিবা নুপামচা য়ুল্লিয়মস বোমফিননা মেচকী অনীশুবা মিনিটতা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা হাফতা দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা গোল শোথনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা দি এস কে শিভাজিয়ন্সকী অসিয়া দিপান্দানা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্কেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা লৈখি। মেচ অসি দ্রো চৎখিবদগী দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা মেচ নিপান শান্নখিবদা পোইন্ট মঙা ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী অরোইবা মাপনশুবা মফমদা লৈখি। শিল্লোং লাজোংনা মেচ নিপান শান্নখিবদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে।

টিম অনীগী মেচ অদুদা শিল্লোং লাজোংনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা শিভাজিয়ন্সকী মায়কৈদা পুশিনখিবা বোল অদু বোক্স মনাক্তগী য়ুল্লিয়মসনা ওক্লগা শিভাজিয়ন্সকী কষ্টোদিয়ন সুব্রটা পাউলবু নমহৎলগা কাওশিনখিদুনা গোল চনখি। শিল্লোং লাজোংনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা শিভাজিয়ন্সনা গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌখিবদা গোল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা অনীরক ফংখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে। শিভাজিয়ন্সনা হনবা লৈতনা গোল হন্দোক্লবা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা দ্রো চৎখি।

অমরোমদা কোলকাটাগী বারসাট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা য়ুম্বু ইষ্ট বেঙ্গলগী মোহম্মেদ রাফিগ অমদি বেল্লো রমাগনা গোল অমমম চন্দুনা সলগাওকরবু ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকখিবা অসিনা বেঙ্গলনা পোইন্ট অহুম ফংখিবগা লোয়ননা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মোহুন বগানদগী পোইন্ট অমখক হন্থনা লৈদুনা পোইন্ট ১৭ ফংখি। মোহুন বগাননা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা লৈরি। ইষ্ট বেঙ্গলনা মেচ ৮ ফংখিবদা মেচ ৫ মায় পাকপা, মেচ অনী দ্রো অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৭ ফংখিবনি।

সলগাওকরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দেরিল দুফিনা চনখি। মেচ মায়থিখিবা অসিনা গোৱান সাইস অসিনা টিম মাপনগী লীগ অসিদা পোইন্ট ৫ ফংদুনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি।

# নোভাক জোকোবিচনা নুপাগী, সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা নুপীগী দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা নম্বর ৱানদা লৈখ্রে






পেরিস, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
দব্লিয়ু টি এনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থোকখিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ইনৌ নৌবা লিষ্টতা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা নুপাগী অদুগা অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা নুপীগী মকোক্তা লৈদুনা লেংদনা অদুম্মক লৈরি।

মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা দুবাই ওপনদা শান্নবা য়াওবা ঙমখিদ্রবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা অপূনবা পোইন্ট ৯,২৪৫ ফংদুনা রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখিবী জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা পোইন্ট ৫,৭০০ ফংদুনা সেরেনাগী হেক মতুংদা লৈদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে। হন্দক পাঙথোকখিবা দুবাই ওপনদা মশাগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখিদবী সাইমোন হালেপ (৪,৭৪৫) না মফম অমা কুমথরগা মরিশুবা মফমদা লৈখি। অগনেজকা রাদৱান্সকা (৫,২১০) না মফম অমা কাখৎলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

অতোপ্পা প্লেয়রশিং গারবিইন মুগুরুজা (৪,৬৪২) না মঙাশুবা, মারিয়া শারাপোভা (৩,৬৭২) না তরুকশুবা, বেলিন্দা বেন্সিক (৩,৫০৫) না তরেৎশুবা, পেত্রা ভিটোভা (৩,৪৭৮) না নিপানশুবা, ফ্লাভিয়া পেনেট্টা (৩,৪২২) না মাপনশুবা অমদি রোবার্ট ভিন্সি (৩,৩২৫) না তরাশুবা মফমদা লৈখ্রে। কার্লা সুরেজ নবারোনা পোইন্ট ৩,৩০০ ফংদুনা ১১ শুবা, লুসি সফারোভানা পোইন্ট ৩,২৯২ ফংদুনা ১২ শুবা, ভেনস ৱিল্লিয়মসনা পোইন্ট ৩,২৬৬ ফংদুনা ১৩ শুবা, ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কানা পোইন্ট ২,৯৩৫ ফংদুনা ১৪ শুবা, টিমিয়া বক্সিনস্কিনা পোইন্ট ২,৮৯৪ ফংদুনা ১৫ শুবা, অনা ইভানোভিক্না পোইন্ট ২,৬৪০ ফংদুনা ১৬ শুবা, সারা ইরানিনা পোইন্ট ২,৫৯৫ ফংদুনা ১৭ শুবা, ইলিনা সবিটোলিনানা পোইন্ট ২,৫৩০ ফংদুনা ১৮ শুবা, কারোলিনা প্লিসকোভানা পোইন্ট ২,৫২৫ ফংদুনা ১৯ শুবা অমসুং জেলেনা জানকোভিক্না পোইন্ট ২,৫০৫ ফংদুনা ২০ শুবা মফমদা লৈখি।

নুপাগী রেঙ্কিংদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা অপূনবা পোইন্ট ১৬,৭৯০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। এন্দি মরেনা পোইন্ট ৮,৮৫৫ ফংদুনা অনীশুবা মফম কল্লি। স্বিসকী রোজর ফেন্দররনা পোইন্ট ৮,৭৯৫ ফংদুনা অহুমশুবা রেঙ্কিংদা লৈরে। স্বিসকী ষ্টেন ৱারিঙ্কানা পোইন্ট ৫,৮৭০ ফংদুনা মরিশুবা, স্পেনগী রফেল নদালনা পোইন্ট ৪,৮৮০ ফংদুনা মঙাশুবা, জপানগী কৈ নিশিকোরিনা পোইন্ট ৪,২৩৫ ফংদুনা তরুকশুবা, চেক্কী টোমাস বর্দির্জনা পোইন্ট ৩,৯৯০ ফংদুনা তরেৎশুবা, স্পেনগী দেভিদ ফেররনা পোইন্ট ৩,৯১৫ ফংদুনা নিপানশুবা, ফ্রঞ্চকী জো ৱাইল্ডফ্রেদ সোঙ্গানা পোইন্ট ২,৯৫০ ফংদুনা মাপনশুবা অমসুং রিচার্ড গাসক্বেটনা পোইন্ট ২,৭৬০ ফংদুনা তরাশুবা মফমদা লৈখি। জোন ইস্নরনা পোইন্ট ২,৫৮৫ ফংদুনা তরামাথোইশুবা, মারিন সিলিকনা পোইন্ট ২,৫৫৫ ফংদুনা তরানিথোইশুবা, মিলোস রাওনিক্না পোইন্ট ২,৪৫০ ফংদুনা তরাহুমদোইশুবা, কেবিন এন্দরসন্না পোইন্ট ২,২০০ ফংদুনা তরামরিশুবা, দোমিনিক থিএমনা পোইন্ট ২,০২০ ফংদুনা তরামঙাশুবা, দেবিদ গোফিননা পোইন্ট ১,৯৭০ ফংদুনা তরাতরুকশুবা, গ্যেল মোনফিলসনা পোইন্ট ১,৯৫০ ফংদুনা তরাতরেৎশুবা, রোবার্টো বাউটিষ্টনা পোইন্ট ১,৯৩৫ ফংদুনা তরানিপাল শুবা, গিলেস সিমোনা পোইন্ট ১,৮৯৫ ফংদুনা তরামাপনশুবা অমসুং বেনোইট প্যারনা পোইন্ট ১,৬৮৬ ফংদুনা কুনশুবা মফমদা লৈখি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং টিম্না এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ৯ লৌরক্লে



বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা মসিগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা গোল্ড মেদল অমা য়াওনা অপূনবা মেদল ৯ লৌরক্লে।

নুমীৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়ানা মেদল টেল্লিদা তরেৎশুবা মফম কন্দুনা নুপা অমদি নুপীগী ফ্রিষ্টাইল টিমশিংদা মরিশুবা অমদি গ্রেকো-রোমান টিমদা তরুকশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী ফ্রিষ্টাইল কাঙলুপকী কেজি ৫৭ কীদা সন্দিপ টোমারনা গোল্ড মেদল অদুগা কেজি ৭০ কাঙলুপতা ওম প্রকাশ ভিনোদ কুমারনা সিলভর মেদল লৌখি। নুপীগী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপতা প্রিয়াঙ্কানা সিলভর, কেজি ৫৩ গী কাঙলুপতা ভিনেস ফোগট অমদি কেজি ৬৩ গী কাঙলুপতা অনিতা টোমারনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌখি।

নুপাগী কেজি ৫৭ কাঙলুপকী ফ্রিষ্টাইলদা সন্দিপ টোমারনা নোর্থ কোরিয়াগী জোং হাক জিনবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি। কেজি ৭০ গীদা ওম প্রকাশ ভিনোদ কুমারনা বাহরেনগী অদাম বাটিরোভকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা নুপীগী কাঙলুপতা কেজি ৫৫ গীদা প্রিয়াঙ্কা ফোগটনা মোঙ্গোলিয়াগী দভাসুখিন ওটগোনসেটসেগকী মখুৎতা মায়থিদুনা সিলভর মেদল লৌখি।

গ্রেকো রোমান কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী টিমনা মেদল মরি লৌখি। কেজি ৯৮ গী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী হর্দিপ সিংহনা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট ইরানগী মাহদি অলিয়ারি ফেজাবাদিগী মখুৎতা মায়থিদুনা সিলভর ফংখি। কেজি ৫৯ গী কাঙলুপতা গৌরভ শর্ম্মনা ব্রোঞ্জ, কেজি ১৩০ গী কাঙলুপতা নভিননা চাইনাগী সুন হেবু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

মমাঙদা দোহাদা পাঙথোকখিবা এদিসনদা ইন্দিয়ানা সিলভর অমা, ব্রোঞ্জ মরি য়াওনা পুন্না মেদল মঙা ফংদুনা তরাশুবা পোজিসন তাখিবনি।

# পাকিষ্টানগী এসিয়া কপ অমসুং ৱর্ল্ড টি-২০ গী স্কাদতা শর্জিল খান, মোহম্মদ শামি য়াওখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ পাকিষ্টান্না মসিগী এসিয়া কপ অমসুং ৱর্ল্ড টুয়েন্ট-২০ স্কাদ অমা ঙরাং লাউথোকখিবা অদুদা ওপনিং বেটসমেন শর্জিল খান অমসুং ফাষ্ট বোলর মোহম্মদ শামি য়াওখ্রে। অদুগা বাবর অজাম অমসুং রুমন রেঈজনা শোকপনা মরম ওইদুনা টিমদা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা টি-২০ প্লে অহুম শান্নখিবা শর্জিল খাননা দুবাইদা নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নখিবা পাকিষ্টান সুপর লীগকী ফাইনেলদা ইস্লামাবাদ য়ুনাইটেদপু মায় পাকখিবদা চাউনা মতেং পাঙখি। খাননা মেচ অদুদা সেঞ্চুরি লৌদুনা মায়োক্ল খিবা সহিদ অফ্রিদিনা লুচিংবা পেসৱার জালমিবু নমহৎখিবনি।

খাননা অজামগী মহুৎ শিন্দুনা স্কাদতা য়াওবা ঙমখি। অজামনা মহাক্কী ওই থংবা ফোরআর্ম অদু পাকিষ্টান সুপর লীগকীদমক প্রেক্টিশ তৌবদা শোকখি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা চয়োল অহুমদগী মরি ফাওবা পোখাননবা ডোক্তরনা খঙহনখি হায়না পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা থোকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খাননা পি এস এলদা অহানবা ওইনা বোল ৬২ দা রন ১১৭ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখি। লেফ্ট হেন্দদ বেটসমেন খাননা পি এস এলগী ফংখিবা মেচ তরাদা অপূনবা রন ২৮৭ লৌদুনা ষ্ট্রাইক রেটতা ১৫১.০৫ ওইদুনা মশক থোক্লা লৈখি।

লেফ্ট আর্ম ফাষ্ট বোল্লর রেঈজনা মহাক্কী হার্মষ্ট্রিং শোকপদগী মহাক্কী মহুৎ বোলর শামিনা শিঞ্জিনখি। শামিনা পাকিষ্টান সুপর লীগতা ৱিকেট ১১ লৌদুনা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বা প্লেয়র ওইরিবনি।

ইস্লামাবাদ য়ুনাইটেদকী বেটসমেন খালিদ লটিফনা ৱর্ল্ড টি-২০ স্কাদতা ইফটিখর অহম্মেদকী মহুত্তা য়াওবা ঙমখ্রে। মহাক্লা পি এস এলদা রন ১৯০ লৌদুনা অফবা পার্ফোমেন্স পীরিবনি।

পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী চীফ সেলেক্টর হরুন রসিদনা হায়খি, পাকিষ্টান্না মার্চ ৮ ফাওবগী মমাঙদা অফবা শান্নরোয়শিং হাপচিনবা অমদি অশোক অপন লৈরবা শান্নরোয়শিং লৌথোকপগী ওপসন থল্লি। লটিফনা পি এস এলদা উৎখিবা অফবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা অহম্মেদপু লৌথোক্লনবা ৱারেপ লৌখি। খালিদ লটিফপু টেক্নিকেলগী মরম খরদগী এসিয়া কপকী স্কাদতা য়াওবা ঙমহনখিদ্রে। অদুবু মহাক্লা ৱর্ল্ড টি-২০ স্কাদতা জোইন্ট তৌরগনি হায়না রসিদনা হায়খি।

এসিয়া কপ অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দগী বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা হৌরগনি। অদুগা ৱর্ল্ড টি-২০ না ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থাদগী পাঙথোক্লনি।

এসিয়া কপগী অহৌবা নুমিত্তা য়ুম্বু বংলাদেশকা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ফেব্রুৱারি ২৭ তা পাকিষ্টান অমদি ইন্দিয়াগা, ফেব্রুৱারি ২৯ দা পাকিষ্টান অমদি য়ু এ ঈ, মার্চ ২ দা বংলাদেশ অমদি পাকিষ্টান অমসুং মার্চ ৪ দা পাকিষ্টান অমসুং শ্রী লঙ্কাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
টামিল নাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা নেসনেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ারুবা হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা একাদেমিগী শান্নরোয় অরিবম অঞ্জনা চনু অমসুং লাইশ্রম রিনাবাই চনুনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা সলাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপ (সনুরাল) না হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী টিম অদু হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা একাদেমি শিংজমৈগী ফুরাৎলাৎপম ঘনশ্যাম শর্ম্মনা কোচ ওইনা লুচিংখিবনি। অহৈবম অঞ্জনা চনু অমদি লাইশ্রম রিনাবাই চনুনা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা ইরমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপদা লূপ অসিনা ঈকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পোৎ তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

ওকপগী থৌরম অদু ইবুধৌ লুৱাংপোকপা লম্পাক্তা মৈস্নাম সুভাস লুৱাং কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ১৬ অমসুং হাওবম ইন্দেশ্বর প্রসিদেন্ট মোদেল ক্লব, সোরাইসম শ্যামা প্রসিদেন্ট সনুলাল, লৌরেম্বম ঙানবী কনভেনর আই এল পিনা অথোইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# 'হৌজিক্তি প্লেয়র অমত্তনা মতম শাংনা টাইটল কোন্দুনা লৈররোই'



দোহা, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
টেনিস প্লেয়র অয়াম্বনা গ্রান্দ স্লাম খুদিংমক মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৈরবনা নুপী টেনিসতা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মখা তানা মকোক থোংনা লৈরিবা অসি লোইশিল্লবা য়ানা লৈরক্লগনি হায়না দব্লিয়ু টি এগী নুপীগী রেঙ্কিংদা মরিশুবা মফমদা লৈরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং হন্দক চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ফ্লাভিয়া পেনেট্টানা সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখিবা অদু রেঙ্কিংগী টোপ ১০ গী মনুংদা লৈরিবা অতোপ্পা প্লেয়রশিংনা পূক্লিং থৌগৎখি হায়না কটার ওপনদা শরুক য়ানবগীদমক শেম শারিবী হালেপনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, শান্নরোয়শিংবু টুর্নামেন্ট খুদিংমক্তা থোঙ লাউনা হাংদুনা থল্লি হায়বসি ঐগী থাজবনি। সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীবা হায়বসি তরাইবা অমদি নত্তে। অদুবু এঞ্জেলীগনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা অদুগা পেনেট্রানা য়ু এস ওপনদা মায় পাকপা ঙমখিবা অদুনা ঐসু মায় পাক্লবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। প্লেয়র খুদিংমক্লা চপ মান্ননা ঐনা খল্লিবা ৱাখল অসিমক খল্লমগনি হায়না হালেপনা ফোঙদোকখি।


দরখাষ্ট কৌজরি / [Meitei Mayek script]
Regd. No. KPL/232/Com.Estd. of 2013
Government of Manipur

1. AIR TICKETING STAFF IN IMPHAL (MALE/FEMALE)
Qualificatioin X-XII No. of Post 22, Salary : 8,000 - 12,000/-

2. TECHNICAL DEPT. AND MOBILE COMPANY STAFF IN IMPHAL
Qualificatioin X-XII No. of Post 35, Salary : 8,000 - 10,000 +Incentive

3. MNIPUR POST VACANCY IN OFFICE STAFF MICRO FINANCE
i) ATM Guard, Chowkidar, peon, Driver. Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
ii) Office Boys, Security, Gunman Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
iii) Reception, Attendent, Loan Recovery Qualy. X - XII Salary : 6,000 - 7,500/-

4. DATA ENTRY AND TELE CALLER IN IMPHAL
Qualification X - XII No. of Post : 28 Salary : 12,000+Incentive.

5. AIRPORT VACANCY SELECTION IN IMPHAL
Ground Staff, Cargo Driver, Loder, Flight Cleaner,
Qualification : VIII - XII No. of post : 20 Salary : 14,000+Incentive.

6. BANKING STAFF FOR NATIONLISE BANK (Online exm in Imphal)
Qulification : XII-Graduate. No. of Post : 35 Salary : 18,000-35,000/-

7. PASSPORT & VIS CONSULTANCY SERVICES ARE ALSO AVAILABLE

* ইশাগী অহাংবা মতমদা EXTRA-INCOME তান্নীংবা, Student, Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি Qualification : VIII - above.
Income : 10,000/- - 25,000/- per month
Interview Dt. 29.2.20161
Last Date : 27.2.2016
# 8131885255/9615120590

Sd/-
Bright Community Centre
Whengbam Leikai, Near
Bheigo Hotel Leirak Machin

HL-P/7460/17,18,19,20,21,22,24,25,26


# য়ুকি ভম্বরিনা টোপ ১০০ গী মনুং চনবা ঙমখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ দেল্লি ওপনগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা য়ুকি ভাম্বরিনা টোপ ১০০ গী মনুং চনবা ঙমদনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থোকখিবা ইনৌ নৌবা রেঙ্কিংদা ১০৭ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা অমদি বেলজিয়মগী জোরিস দি লুরেগী মখুৎতা মায়থিহৌখিবা য়ুকিনা মমাঙ চহীগী য়ু এস দি ৫০,০০০ টি পি চেল্লেঞ্জর ইভেন্টকী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবনি।





সকেথ মায়নেনিনা মফম নিপান হায়গৎলক্তুনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা রেঙ্কিং ওইনা ১৫৮ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। মহাক্লা হন্দক্তা দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা লোইশিনখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী রন্নরস অপ তাখিবনি।

য়ুকি অমদি সকেথ অনীবু গভর্ণমেন্টনা নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ (এন এস দি এফ) দগী মথংশিংনা লুপা লাখ ৩৭ অমদি লুপা লাখ ৩৬ ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স ওইনা মমাঙ চয়োলদা পীখিবনি। মসিনা প্লেয়রশিংদা অচৌবা ইথিল অমা পীবগা লোয়ননা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনাা হোৎনহন্নিংবগী আশা অদু লৈহল্লগনি।

ভাম্বরিগা জুরা শেমদুনা হন্দক্তা দলবস টাইটল লৌখিবা মহেশ ভুপটিসু রেঙ্কিংদা হায়গৎলকখ্রে। মশাগী চহী ৪১ শুরবা ভুপটিনা মফম ৬১ কাখৎলগা ২২৬ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে। ভাম্বরিসু মায় পাকখিবা অদুনা দবলস টোপকী ২০০ গী মনুং চনবা ঙমখ্রে। মহাক্লা মফম ৪৬ কাখৎলগা রেঙ্ক ১৯৮ শুবা মফমদা লৈখি।

চৈরক অসিদা, দেল্লি ওপনগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখিদবা সোমদেভ দেভবর্মননা রেঙ্কিংদা য়াম্না কুমথনা লৈখি। মহাক্লা মফম ৮৭ কুমথখিদুনা রেঙ্ক ২৭৯ দা লৈখি। রোহন বোপন্নানা দবলসতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা প্লেয়র ওইখি। মহাক্লা নম্বর নিপানশুবদা লৈখি।